# শেল ১দি শক্তিগী রাজনিতিনা

## সমাজ অমা চাওখৎহনবা ঙম্লোই

## ১০১৪ ফাওবদা এনই চাওখৎনবা হোৎনরি

*-নিতিন গাদকারী*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ঃ* শেঙ্গা-থুমজা, লাইরবা, শুফম-নোম্ফম লৈজদবদগী লাইরবনা থল্লবা ভারতকী অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা ষ্টেট তরেৎ লাক্লিবা ইং ২০১৪ ফাওবগী মনুংদা হিরম কয়াদা চাওখৎনবা মহাক মশা অমদি ভারতিয়া জনাটা পার্টি (বিজেপি) না কন্না হোৎনরি। লোয়নননা শেল অমদি শক্তিগী রাজনিতিনা সমাজ অমা কৈদৌনুংদা চাওখৎহনবা খক ঙম্লোই হায়না নাগপুরদা মখল কয়াগী ইন দষ্ট্রিজ লিংখৎতুনা লাইরবা মীওই লাক্ষ কয়াদা থবক পীবদা নক্তনা বিজেপিগী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নিটিন গাদকারিনা হায়খ্রে।

হৌখিবা এপ্রিল ১৮ দগী ২২ ফাওবা অৱাং নোংপোক ভারতকী অরুনাচল প্রদেশ অমদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা পাউমী কাংবু অমনা নিতিন গাদকারিগী লিচিং মখাদা নাগপুরগী মফম কয়াদা পুর্টি গ্রুপ ওফ ইন্দষ্ট্রিজনা পায়খৎলিবা থবক থৌদাশিং য়েংশিল্লুবগা মরী লৈননা নাগপুরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা বিজেপিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন গাদকারিনা মখা তানা হায়খিবদা অৱাং নোংপোক ভারতসি পোটেন্সিয়েল য়াম্না লৈবা লমদম অমনি। অসিগুম্না টুরিজম চাওখৎহনবা য়ওনা হিরম কয়াদা চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপা য়ারবা অৱাং নোংপোক্তা পুর্টি গ্রুপনা নাগপুরদা পায়খৎলিবা অসিগুম পৱার এন্দ সুগর, এগ্রো ইনর্জি, এগ্রো টেক্নোলোজি অমদি সোল্লর ইনর্জিগী লমদমদা চাওখৎহন্নিংই।

শেল-থুমদা অহোংবা চাওখৎপা সমাজ পুরক্লবা হোৎনবদা মরুওইরিবসি ঐখোয়নি। ঐখোয়না পুকচেল শেংনা থৱায় য়াওনা থবক তৌরবদি মায় পাক্তবা লৈতে। পোটেন্সিয়েল লৈনা লৈনা থবক অমা মায় পাক্তবসি মরুওইনা লম লৈতবা, জ্ঞান ৱাৎপা, মহৈ-মশিং ৱাৎপা অমদি থবক্তু শিন্দোকপা হৈতবদগী ওইগনি। ঐ ইশামক রাজনিতি তৌবা মীওই অমা ওইজরবসু চাদা ৮০দি মীয়ামগী সেবা তৌজবা সোসিয়েল ইন্টরপ্রেন্যুার অমনি। কোর্পোরেটমেন অমদি নত্তে। ঐগী পান্দমদি বিজেপিগী প্রসিদেন্ট ওইজরবসু ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নত্রগা মীখলদা লাকপগী ৱাখল্লোন লৈজদে। ঐগীদি মপুং ফাবা পোলিটিক্স অমগা লোয়নননা অৱাং-নোংপোক চাওখৎহন্নবা থবক পায়খৎপনি অমদি ভারতকী লাইরবা লৌমী-শিন্মী কয়াদা থবক পীদুনা পুন্সি হিংহনবনি।

রাজনিতি হায়বসি সমাজ অমগী শেল-থুম চাওখৎনবা খুৎলায় অমনি। অদুনদি অৱাং নোংপোক্তা ধর্ম্ম, জাৎ বিজাৎকী খেন্নবা লৈতনা হিরম কয়াদা চাওখৎহনবা হায়বসি মহাক অমদি বিজেপিগী অপান্দনি। মসিমক্লা বিজেপিনা অৱাং নোংপোক ভারত চাওখৎনবা অশানবা মীৎয়েং কয়া থল্লি। পুন্নমক অসি মপুং ফানা থবক ওইনা পায়খৎপা ঙম্লবা অৱাং নোংপোক ভারত্তা রাজনিতি চাওখৎহনবা মথৌ তাই।

মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাং কয়া পায়খৎপা মীওইদু সোসিয়েল ইন্টরপ্রেন্যুয়রনি হায়রদুনা মহাক্না মখাতানা হায়খিবদা লাইরবা, লৌমীশিং চাওখৎহনসি হায়রবদি ঐখোয় সমাজগী করিগুম্না থবক খরা পায়খৎপা মথৌ তাই। হৌজিক পুর্টি গ্রুপনা নাগপুরদা পায়খৎলিবা ইন্দষ্ট্রিজশিং অসি শেন্দোংগী ৱাফম নত্তে। মসিনা লাইরবা লৌমী লাক্ষ কয়াগী পুন্সি কনবনি। তশেংনমক্তি পুর্টিগ্রুপনা চুদগী চিনি, ইথনোল, অলকোহল, বাইও ফ্যুলনচিংবা শুংলিবসি শেন্দোংগী ৱাফম নত্তে। মসিদা মরুওইরিবসি মীওইবনা হিংবদা চংলিবা মৈ পুথোকপসিনি। লাইরবা লৌমী লাক্ষ কয়া হিংহনবদা সরকারগী মতেং য়াওদনা লিংখৎতুনা মাই পাক্লবা পুর্টিগ্রুপ ওফ ইন্দষ্ট্রিজগী টেক্নোলোজিশিং অসি লেম্না তাকপী তম্বীদুনা অৱাং-নোংপোক ভারত্তা চাখওৎহন্নিংই। মসিদা মহাক্না পাংবা য়াবা মতেংগা লোয়নননা টেক্নোলোজি পুন্নমক লেম্না তাকপী তম্বীগনি।

বিজেপি নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি তাপির গাও এক্স এমপি কনভেনর সুনিল দিওধর য়াওনা পাউমী ২০ লোম্না শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মতাংদা বিজেপিগী সেক্রেটরি মেদিয়া এফিয়ার্স, বিজেপি মণিপুর ষ্টেট লাইময়ুম বসন্তা শর্ম্মনা হায়খিবদা খোঙচৎ অসি মীখল ময়াদা বিজেপিগী নেসনেল লিদরশিংনা হায়রিবদু হকথেংননা খঙমিন্নবনি। খোঙচৎ অসিনা বিজেপিগী প্রসিদেন্ট নিতিন গাদকারি অমসুং নেসনেল লিদরশিংনা মাগী মাগী মফমদা করি থবক তৌই হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্লগনি। মসিনা অৱাং-নোংপোক ভারতকী মণিপুরদা লৈরিবা রাজনিতি তৌবা মীওইগা খেন্নরিবশিংদু ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্লগনি। লোয়নননা ধর্ম্ম, জাৎ-বিজাৎ খায়দবা বিজেপিগী লিদরশিংনা পংহায় হায়দে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি হায়খি।